# মণিপুরগী ট্রাও এফ সী চর্চিল ব্রদর্সকা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, চেন্নাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজ থোইখ্রে

I-LEAGUE

কোলকাটা, জন্যুৱারী ২৯(এজেন্সী): হিরো আই-লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা মেটচতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সী অমসুং চর্চিল ব্রদর্স এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু ১-০দা থোইখ্রে। অদুগা রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সী অমসুং সুদেভা দেল্লী এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭তগী শান্নবা হৌখিবা ট্রাও অমসুং চর্চিল ব্রদর্সকী মেটচ অদু টিম অনীমক মায় পাক্ন নবা অকনবা লম্বা চত্থনখি। পনবা য়াবদি, লীগ অসিগী ওইনা টিম ১১গী লম্বা অসিদা চর্চিল ব্রদর্স এফ সীনা মেটচ ৪দা পোইন্ট ১০ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবনি। অদুগা ট্রাওনা মেটচ ৪দা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

অহানবগী মিনট ১৫ রোমদি পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু ১৮শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী ক্লেভিন জুনিগানা চন্দুনা ট্রাওবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা ট্রাওগী খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা টিমমেট জোসেফনা ফিল্ডগী য়েৎ থংবা মায়কৈদগী কাওশিল্লকখিবা বোল অদুয়াম্না অখূবা এঙ্গলদা চর্চিল ব্রদর্সকী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা ৪৫শুবা মিনটতা ট্রাওনা মেটচ অদুগী অনীরকশুবা কোর্নর অমা ফংখি। অদুবু ট্রাওগী ব্রাজিল মচা লোবাটোনা হেদ তৌশিনবদা বারগী মথক্তা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী মিরান্দানা ট্রাওগী দিফেন্দর লাম্হোক্তুনা পুশিনখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওইহনবা ঙমখিদে। মখা তারকপা মেটচকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা নাকল অনীমক্তগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎলগা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অদু শান্নখিবা কল্যানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু ১-০দা থোইবা ঙমখি। চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা এলভেদিননা চনখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সী অমসুং সুদেভা দেল্লী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।



*চর্চিল ব্রদর্স এফ সীগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবদা ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা হরাউবা ফোঙদোকখিবা*

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 5 | 3 | 2 | 0 | 9 | 3 | 6 | 11 |
| 2 | TRAU | 5 | 1 | 4 | 0 | 7 | 5 | 2 | 7 |
| 3 | Chennai City FC | 4 | 2 | 0 | 2 | 3 | 5 | -2 | 6 |
| 4 | Mohammedan SC | 4 | 1 | 3 | 0 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 5 | Gokulam FC | 4 | 2 | 0 | 2 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 6 | Sudeva | 5 | 1 | 2 | 2 | 4 | 4 | 0 | 5 |
| 7 | Real Kashmir | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 2 | 2 | 5 |
| 8 | Punjab FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 4 | 5 | -1 | 5 |
| 9 | Neroca FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 5 | 1 | 4 |
| 10 | Aizawl | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 11 | Indian Arrows | 5 | 0 | 1 | 4 | 3 | 14 | -11 | 1 |

# নুপীগী হোক্কীগী ৱর্ল্ড নম্বর টু টিম ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম পাঞ্জল ০-২দা মায়থীখ্রে

বুইনোস আইরেস, জন্যুৱারী ২৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী সিনিয়র টিমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবা ওইনা অর্জেন্টিনা টুরদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড নম্বর টুগী থাক্তা লৈরিবা লৈবাক অদুগী সিনিয়র টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অর্জেন্টিনাগী সিনিয়র টিমগা শগোলশেন নুমীৎতা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীবা নংখিবনি। মদুদা অশোনবা লৈখিবা মফমশিং অদু ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা ফুগৎনবগী পান্দমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা শেম শাখি। অদুবু শান্নবগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ খক চঙশিল্লকপদা অর্জেন্টিনানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা য়াম্না ফজবা মওংদা টিম অদুগী দ্রেগ ফ্লিকর সিলভিনা দেলিয়ানা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়া পাঞ্জল শোত্থরগা লৈখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা ঙন্না পাঞ্জল শোত্থরবসু মখোয়দা থৌনা হনখিদে। মখোয়না অর্জেন্টিনাগী হাফতা বোল পুশিনবা ঙমদুনা ষ্ট্রাইকিং সর্কল ফাওবা য়ৌশিনবা ঙমখি। অদুবু অর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিং অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু য়াম্না কাঙলোন চুম্না ঙাকথোক্তুনা মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকহন্দনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা অদুগা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু ফংননবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল অমদি থৌনা পুথোকখি। অদুবু পাঙ্গলগী চাং য়েংনরুবদা অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়াদগী খরা হেন্না লৈখি। মখোয়গী দিফেন্দরশিং অদুগী মায়োক্তা বোল লাম্হোক্তুনা পুশিনবা ঙম্বগী তাঞ্জাশিং অদু অমত্তা ফংবা ঙমখিদবনি।

অহুমশুবা ক্বার্টর লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনসু অর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকরশিংনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু ঙাকথোক্ন বা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ৱর্ল্ড নম্বর টু অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী ওগষ্টিনা অলবর্টারিওনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংগী অশোয়বা অমদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদু মায় পাক্না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্বদগী ২-০দা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর থিরিঙৈদা অহেনবা পাঞ্জল অমগসু হাপচিল্লক্লবনিনা মখোয়গী থৌনা খরা হন্থবগুম তৌখি। লেমহৌরিবা মিনট ৬ অদুদা মখোয়না ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা য়ানবা ঙমখিদবদগী ০-২দা মেটচ অদু মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ সিয়োর্দ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা, মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী মওং অদু থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু খূদোংচাবা ফংবদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী মায়োক্লবা টিমনা পাঞ্জল ওন্থোকপগী খূদোংচাবা হেন্না ফংদুনা মায়থীহৌবনি হায়খি। ইন্দিয়াগী টিমনা মমাংদা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিমগা অমদি অর্জেন্টিনাগী বি টিমগসু মেটচ শান্নখ্রবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী চাংদি য়াম্না নেমখি। টিম অনীনা হয়েং অথেংবদা মেটচ অমগসু শান্নগদৌরি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী লাম্হোক্তুনা বোল পুনবা হোৎনখিবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়*

# এলিট গ্রুপ্তা সাইক্লোন্না মোদেল ক্লবপু থোইখ্রে, প্লেট গ্রুপ্তুনা পি সি সি, ৱাই য়ু সি সি অমসুং ঈএসয়ুনা মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মায়পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা ৫শুবা এম এন সি এ দব্লিউ প্রহলাদ অমসুং দব্লিউ রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লবনা মোদেল ক্লবপু রন ৪৫দা মায়থীবা পীখি। প্লেট গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি সি সিনা টি এম দি সিবু রন ৩১দা থোইখি, অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই য়ু সি সিনা কে আই ৱাই সিবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ঈ এস য়ুনা নপসাবু ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি লুৱাংসংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এলিট গ্রুপকী অনীশুবা মেটচতা সাইক্লোন ক্রিকেট ক্লবনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা সাইক্লোন্না অপীবা ওভর ৪০ শান্নবদা রন ২২৪ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোনগী মায়কৈদগী মরীশুবা বেটসমেন এল কিষননা বোল ৮৭তা রন ৮১ লৌবা ঙমদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। ওপনর নরসিংনা রন ৬৭ লৌখিবা অদুনা য়াম্না ফজবা কন্ট্রিব্যুসন তৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায়পাক্লবা মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৩৯গা বোল ২ শান্নবদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৭৯ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু রন ৪৫গা মায়থীখি। মোদেল ক্লবকী কেপ্টেন কর্নজিৎনা বোল ৫৩দা রন ৪৬ লৌরম্বা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। দিপক অমসুং লাঙোনয়াম্বনা মথংশিংনা রন ৩১ অমসুং ৩৩ লৌরম্বা অদুনা অতোপ্পা ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

থৌবালগী মোইজিং প্লে গ্রাউন্দা শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী ১৩শুবা মেটচতা টি সি এম দি সিনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা পি সি সিগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৩০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৮৬ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর সিঐচ টাইসননা বোল ৪৬তা রন ৫৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। লোয়ননা টিঐচ অনন্দ অমসুং এল গিবসননা মথংশিংনা রন ৪৪ অমসুং ৪৩ লৌবা ঙমখিবা অদু শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। মেটচ অদু মায়পাক্লবা টি সি এম দি সিনা ওভর ৩০ শান্নবদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরদা রন ১৫৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু পি সি সিনা রন ৩১দা থোইবা ঙমখি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী ১৪শুবা মেটচতা ৱাই য়ু সি সিনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা কে আই ৱাই সিনা ওভর ১৪গা বোল ৫দা বেটচমেন ১০মক আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৭৪খক লৌবা ঙমখি।

ৱাই য়ু সি সিনা মেটচ অদু মায়পাক্লবা রন ৭৫ লৌবগী টার্গেট অদু ওভর ১৩গা বোল ৫দা বেটসমেন ২ খক আউট ওইরগা রন ৭৫ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই য়ু সি সিনা ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখি।

প্লেট গ্রুপকী ঙসি লাংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা ঈএসয়ু অমসুং নপসাগা লম্বা তৌনবদা নপসানা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা নপসানা বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৯৮খক লৌবা ঙমখি। নপসাগী মায়কৈদগী ওপনর রোজর অমসুং রিচার্দনা মথংশিংনা রন ২৪ লৌখিবা অমসুং রন ২০ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

মায়পাক্লবা ঈএসয়ুনা রন ৯৯ অদু বেটসমেন অমত্তা আউট ওইদনা রন ১০১ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর হেরোজিৎ অমসুং মেহুলনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৫৫ অমসুং ৩৫ লৌবা ঙমদুনা ৱিকেট ১০দা মায়পাকপা ঙমখি।




HL-P/8547/13 to 31

# লিভরপুল এফ সী মায় পাকখ্রে

PREMIER LEAGUE

লন্দন, জন্যুৱারী ২৯(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা লিভরপুলনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী দিফেন্দ তৌবগী লম্বেলদা চঙশিনবা ঙম্লি।

টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা মিনট ৪৫গী মতম লোইশিনখি। অদুবু ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা লিভরপুলগী সাদিও মানেনা পীরকপা বোলদা রোবর্টো ফর্মিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা লিভরপুলগী ট্রেন্ট অলেকজেন্দরনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৪৭শুবা মিনটতা চনখি। মিনট ২গী মনুংদা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী পেরি ইমিলনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু ৬৫শুবা মিনটতা লিভরপুলগী সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-১দা মেটচ অমা থোইবগা লোয়ননা পোইন্ট ৩৭ ফংলগা ৪শুবদা হাইগৎখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন অমসুং ধর্মলায়া সোসল ৱেলফিয়র সেন্টর, ব্রহ্মপুর নহাবম, ইম্ফালনা ঙসি মমাংদা নেসনল বাস্কেটবোল শান্নরোয় অমসুং ধর্মলায়া সোসল ৱেলফিয়র সেন্টরগী এগজিক্যুটিব মেম্বরসু ওইরম্বা বি প্রেমানন্দ (গোরোবা) শর্ম্মনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ঙসি অয়ুক পূং ৯ তাবা মতমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

এস ইন্দ্রমণিনা চেয়র লৌরগা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা প্রেমানন্দনা ষ্টেট অসিদা বাস্কেটবোল মশান্নবু চাওখৎননা লৌরমখিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংখি। লোয়ননা মহাক্না হিংলিঙৈদা ধর্মলায়া সোসল ৱেলফিয়র সেন্টরগীমক হোৎনরম্বশিং অদুসু নীংশিংখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক্না মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী লৈকোলদা ইংনচীক্না লৈরুনবসু থৌনিখি। লোয়ননা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন অমসুং ধর্মলায়া সোসল সেন্টরগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না প্রেসতা এসোসিএসন অমদি সেন্টর অসিগী সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীবা চেরোল অসিনা হায়রি।

# জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯(ঐচএনএস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা খুৎয়েক পীবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৬তগীনা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং/ইন্সটিট্যুসনশিং, এসোসিএসন অসিমক্কী টেক্নিকেল ওফিসলশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরিদগী মখা তাবা অকুপ্পা মরোলশিং খঙবা য়াগনি হায়রি।

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL

PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK, IMPHAL

HL-B/6689/10/1-7/2(alt)

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-20/2

LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.

+91-8431803610, +91-9362273890
lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited

HL-P/8725/29/1-12/2

DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA , New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/--34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd

+91-8431803610, +91 9362273890
dhrmpvtltd@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB,Imphal East Dist., Manipur (795010)

HL-P/8725/29/1-12/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com